# শান্নবা চৎনবা ফ্লাইট টিকেট কল্লবগী শেল লৈতবনা তঙায়ফদনা লম্বীদা ডোনেশন তৌদুনা য়াম্না ৱানা শান্নরোয়শিংনা হোৎনহৌরি

শান্নবুংগী পাউদম
অলকা থোকচোম




শ্রীনগরদা চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসকী ত্রায়ল সিলেক্সন চৎনবগীদমক ফ্লাইট টিকেট কল্লবা শেনফম লৈতবনা শান্নরোয় কয়া অৱাবা মায়োক্লরি। অদুবু চৎতবদি য়াদবনিনা শান্নরোয়শিংনা অঙণ্বা পান্থে থিদুনা চৎপা ঙম্লবা হোৎনরি। থা অসিগী ২২দগী ২৪ ফাওবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী শ্রিনগরদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস ওপন সিলেক্সন ত্রায়লগীদমক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ৱুসু (সন দা) মশান্নদা শরুক য়ারুগদৌরিবা শান্নরোয় অহুম শেল থুমগী ফীভম খুদোংচাদবনা মরম ওইরগা ফ্লাইট টিকেট কল্লবা শেল লৈতবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মসিনা মরম ওইরগা শান্নরোয়শিং অসিনা তঙায়ফদনা মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমদি খঙন-চান্নবশিংগা লোয়নননা লম্বীদা থোক্তুনা শেলগী ডোনেসন লৌদুনা য়াম্না ৱানা হোৎনহৌরি।

পাউচে অসিনা শান্নরোয়শিংনা লম্বীদা ডোনেসন তৌদুনা লৈরম্বা থেংনবদগী অকুপ্পা মরোল খঙনবগীদমক মখা তানা শান্নরোয়শিং অদুগী অহল লমনশিংদা হংলুবা মতমদা বোরিস কৌবা শান্নরোয় অমগী অপোকপী নোইমাইথেম অরুনানা ফোঙদোরকখিবদা থা অসিগী ২০দা ফ্লাইট টিকেট কল্লগা থা অসিগী ২২দগী ২৪ ফাওবা শ্রিনগরদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস ত্রায়ল সিলেক্সনদা শরুক য়ানবা ৱুশু ত্রেনিং একাদেমী নাচৌদগী শান্নরোয় অহুম চৎকদৌরি। অদুবু মখোয় অহুম ফ্লাইট টিকেল কল্লবগী শেল লৈতবনা মরম ওইরগা তঙায়ফদনা লম্বীদা থোক্লগা শেলগী মতেং নীরম্বনি। ৱুশু একাদেমী অসিদগী শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৬০গী কাঙলুপ্তা মোইরাংথেম বিবিসন, কেজি ৫৬কী কাঙলুপ্তা নোইমাইথেম বোরিস অমসুং কেজি ৫২গী কাঙলুপ্তুনা সঞ্জেনবম অরুরধানি। মখোয় অহুম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ৱুশু কোচশিংনা খনগৎতুনা ত্রায়ল সিলেক্সন অসিদা শরুক য়ারুনবা হোৎনবিরি। অদুবু লাইবক থীবনা ৱুশুগী ওইবা এসোসিএশনগী মতাংদসু চয়েৎনবা কয়া লৈবনা মরম ওইরগা শান্নরোয়শিংনা ফংফম থোকপা খুদোংচাবা কয়া অদু ফংবা ঙমদনা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু অতৈ অতোপ্পা মশান্নগী শান্নরোয়শিংনা ফংলিবা খুদোংচাবশিং অদু ৱুশু শান্নরোয়শিংগী ওইনদি ফংদ্রি। চয়েৎনবা কয়া অসিনা মরম ওইরগা চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিং অসিদা নীংহন্নবা ফাওনবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মশান্না অসিদা থৱায় হকচাং য়াওনা পীক্লিঙৈ মতমদগী হৌরগা মহে-মশিং তম্বা ফাওবা লায়থোক্তুনা শান্নবদা কেরিয়র অমা শেম্নবগীদমক হোৎনজরিবা অঙাংশিংনা অসিগুম্বা শেল অমদি সপোর্ট ৱাৎপনা কম্পিটিসন কয়াদা শরুক য়াবা ঙমদনা লৈরি। মসিগী মথক্তা শান্নরোয় অয়াম্বা লৈত-লায়রা ইমুংদগী হৌরকপনা মরম ওইরগা মমা-মপা ওইবশিংনসু মচাশিংগী খনবদা অমুক্তা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরি। মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা তংদু লৈতাদবগী মওং অসিনা মরম ওইরগা মখাদা চৎকদবসু পান্থে লৈত্রে। করিগুম্বা মখা চৎপা য়ারম্লবদি শেল থুমগী হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি খরদা ওইরবসু হন্থরমগদবনি। অদুবু ফ্লাইট টিকেট কল্লবা হোৎনবদদি অৱাবগী মথক্তা অৱাবা হাপচিনবা ওইনা থোক্লে।

অমরোমদা, মীয়ামগী লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদদি এ সী অসিগী এম এল এগী মনাক্তা চৎতুনা মতেং লৌরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি লৈঙাক লৈত্রবনিনা মতেং লৌবা চৎপগী পাঙ্গল ফাওবা লৈশিল্লক্ত্রে। অদুবু কম্পিটিসন শরুক য়াদবদি য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোনদা অঙম অঙম্বা হোৎনদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লিবনি। মসিগী মথক্তা পু-পাং শুদবা ইমুংগী অঙাংশিংসু য়াওদবা নত্তে। মখোয়শিং অদুনা অমুক্তা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরিবনি। মরম অদুনা শান্নরোয় অহুম অসিবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা মীয়ামগী মায়কৈদগীসু অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু। মতেং পাংবা হায়বসি শেল খক্তনা ওইবা নত্তে। ৱাখল মপাঙ্গল কনখৎনবা পুক্নিং থৌগৎতুনা শান্নরোয়শিংদা য়াইফ থৌজাল পীনবিবা অদুসু মতেং মখল অমনি হায়না মহাক্না মখা তানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

# মণিপুরগী হোক্কি শান্নরোয়শিং মাঙবতা নত্তনা মশান্না অসি মুংখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুর অসি স্পোর্টসকী পৱার হাউসনি হায়না খঙনরবসু হোক্কি মশান্নগী ওইনদি এসোসিএশন অনী লৈবদগী শান্নরোয়শিং মাঙবতা নত্তনা মশান্না অসি লমদম অসিদগী মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা হোক্কিগী লৈরিবা এসোসিএশন অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা মতম লৈরিঙৈদা লমদম অসিগী হোক্কি শান্নরোয়শিংগী পুন্সি কনসি অমদি মশান্না অসি য়োকখৎহৌসি হায়না ওল মণিপুর হোক্কি য়ুনাইটেদ ক্লবকী প্রসিদেন্ট সোরাইসম রতননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদা ওল মণিপুর হোক্কি য়ুনাইটেদ ক্লবনা শীন্দুনা দিঙ্কু রোদকী খুমন লম্পাক গেট মমাঙদা সেভ হোক্কি ইন মণিপুর হায়বা বেন্নরগী মখাদা চথখিবা ৱাকৎ খোঙজংদা রতননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, মণিপুর হোক্কি অমদি হোক্কি মণিপুরনা হৌখিবা চহী ১৪ মমাঙদগী য়েৎনদুনা লাক্লবা অমদি হৌখিবা চহী ৪ রোম অসিদা মণিপুর ষ্টেটকী ওইবা হোক্কি টুর্নামেন্ট শীন্দবনা মরম ওইরগা হোক্কি শান্নরোয়শিং পুথোকপগী চাং ৱাৎলক্লি। লোয়ননা ক্লবশিং মুৎশিল্লকপা য়াওরে। মণিপুরদা লৈরিবা শান্নরোয় অয়াম্বা লৈত-লায়র ইমুংদগী হৌরকপা ঙাক্তনি। মরুওইনা শান্নরোয়শিংনা নেশনল টুর্নামেন্ট চৎপা মতমদা মশা মশান্না অচঙবা শেনফম পুথোক্তুনা টুর্নামেন্ট চৎনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মসিগী মথক্তা শান্নরোয় খরদি শেল পুথোকপা ঙমদবনা মরম ওইরগা ত্রায়ল সিলেক্সন ফাওবা য়াওবা ঙমদনা লৈরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিনা লমদম অসিদা অফবা হোক্কি শান্নরোয় পুথোকপগী চাংসু নোংম-নোংমগী হন্থরক্লি।

মসিগী মথক্তা মতম শাংনা এসোসিএশন অনীগী চয়েৎনবদা মরম ওইরগা হোক্কি ইন্দিয়ানা হোক্কি মশান্না চাওখৎনবগীদমক শেন্থং খরা পীরক্লম্বদুসু ককখ্রে। মরম অদুনা চয়েৎনবা লৈরিবা এসোসিএশন অনীনা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা লমদম অসিগী হোক্কি শান্নরোয়শিংগী পুন্সি কলহৌসি হায়খি।

# সিনসিনাটি ওপনঃ নুপীগীদা ইগা স্বাটেক অদুগা নুপাগীদনা কার্লোসনা টাইটল লৌখ্রে




চেন্নাই, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
সিনসিনাটি ওপন ২০২৫গী ৱিমেন্স সিঙ্গলসকিদা ইগা স্বাটেকনা জেমিন পাউলিনি অদুগা মেন্স সিঙ্গলসকীদনা কার্লোস অলকরাজনা জেনিক সিনর থোইদুনা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ওইনা ঙরাং নুমিদাং স্বাটেক অমসুং পাওলিনিগী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নখি। মখোয় অনীগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা স্বাটেকনা ষ্ট্রেট সেট ৬-৫, ৬-৪দা পাওলিনিবু মায়থীবা পীরল্লগা লেমজ নিংঙাই ওইরবা সিনসিনাটি ওপন ২০২৫গী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, মেন্স সিঙ্গলসকী ওইনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন জেনিক সিনর অমসুং ৱর্ল্ড নম্বর ২ কার্লোস অলকরাজগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা অহানবা সেট লোইরকপদা জেনিক সিনর শোকপদগী পোত্থাখিবনা মরম ওইরগা কার্লোস অলকরাজনা মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন ত্রোফি থাঙ্গৎপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা ইগা স্বাটেকনা মহাক্কী অহানবা সিনসিনাটি ওপনগী মতুং লেমজনিংঙাই ওইরবা টাইটল অসিগীদমক মহাক্না মহাক্কী টিমবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# প্রেমিয়র লিগঃ লিদ্স য়ুনাইটেদনা ইভরটনবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে



লন্দন, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
ইংলন্দদা হৌজিক চথরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লিগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লিদ্স য়ুনাইটেদনা ইভরটনবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইংলেন্দগী ইলানরোদ ষ্টেদিয়মদা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা লিদ্স য়ুনাইটেদনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৫ ওইখিবা মতমদা ইভরটননা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৫ ওইখি। নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক মখোয় মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা পুথোক্তুনা শান্নখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা লিদ্স য়ুনাইটেদনা ইভরটনবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি। লিদ্স য়ুনাইটেদকী মায় পাক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ৮৪ শুবা মিনটতা লুকাস নেমেচানা চনবা ঙমখিবনি।

# সব জুনিয়র বোইজগী ত্রায়ল সিলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শীন্দুনা থা অসিগী ২৩গী অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা সব জুনিয়র বোইজগী ত্রায়ল পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এম জ্যোটিমোই রোইনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর সব জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টিমদা শরুক য়ানবগীদমক টি দব্লিয়ু ৩ টেষ্ট তৌখ্রবা সব জুনিয়র প্লেয়র্স (বোইজ)না সব জুনিয়র বোইজ নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫-২৬তা শরুক য়ানবগী শেম শাবা য়াওগনি। মরম অদুনা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ২৩গী অয়ুক পুং ৭.২০ তাবা মতমদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

# সী এম এস তৌবগী মতম শাংদোক্লরোই

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না মাঙজেননা খঙহনখিবা অদুগী মতুংইন্না মখাদা পীরিবা লিগশিং অসিগী ওইনদি সী এম এসকী মতম শাংদোক্লরোই হায়রি।


মরম অদুনা টিমশিংনা সী এম এসশিং মখাদা পীরিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্ন বা খঙহল্লক্লি। চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহুমলকশুবা প্রেমিয়র লিগকী ওইনা ফোর্ম থাজিল্লকপগী অরোয়বা মতমদা থা অসিগী ২০দা ওইগনি। অদুগা সী এম এস তৌবগী মতম্না থা অসিগী ৩০দা ওইগনি। ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনসু মথক্তা পীরিবা মতম অসিগা চপ মান্ননা ওইগনি হায়না অম্ফাগী চেরোল অমনা হায়রি।

# দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমসকা মরী লৈননা মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস):
অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস ২০২৫গা মরী লৈননা থৌবালগী দিপ্যুটি কম্মিস্নরনা ময়ায় তাংবল লৌরগা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী ওইবা মীফম অমা হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা দি সী ওফিস থৌবালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা মীফম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি, চীফ মেদিকেল ওফিসর, জোনল এদ্যুকেসন ওফিসর জোন ৩, দি জি এম (এম এস পি দি সী এল), ই ই পি ঐচ ই দি, ই ই পি দব্লিয়ু দি অমদি দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএশন থৌবালগী লৈরিবা প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরিশিংসু হায়রিবা মীফম অসিদা শরুক য়াগদবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মোইরাংথেম দেবেনগী চেরোল অমনা হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1568**

Madara Golsta (1979) - CM Anton Vasilenok (2137)
Titled Tue 25th Mar Early chess.com INT (8), 2025.03.25

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.Nc3 Nf6 | 4.e5 Nfd7 | 5.f4 c5 |
| 6.Nf3 Nc6 | 7.Bb5 a6 | 8.Bxc6 bxc6 | 9.dxc5 Bxc5 | 10.Qe2 O-O |
| 11.Be3 Qb6 | 12.Bxc5 Qxb2 | 13.Kd2 Nxc5 | 14.Rhb1 Qa3 | 15.Nd4 a5 |
| 16.Nxc6 Ba6 | 17.Qh5 Ne4+ | 18.Nxe4 dxe4 | 19.Rb3 Qc5 | 20.Rc3 Qf2+ |
| 21.Kc1 Qe1+ | 22.Kb2 Qf2 | 23.Ne7+ Kh8 | 24.Nc6 a4 | 25. ... |

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1567 Solution :**

**40. ...Qxg2+** *The black queen captures White's pawn, which was defending the square f3. Opening the line from d1 to h1.*
**41.Rxg2 Nf3+** *With a discovered check by the black rook.*
**42.Rg1 Rxg1#** *Arabian mate*
0-1







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com